## এন্টি-করপসন গ্রুপ ফোরেন এজেন্টনি

মোস্কো, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
রসিয়াগী জটিস মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওপোজিসন লিদর অলেক্সি নাভলনিগী এন্টি-করপসন গ্রুপপু ফোরেন এজেন্ট অমনি হায়না হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে। নোংচুপ্লোমগী গভর্নমেন্টশিংনা কন্না য়ানিংদ্রিবা কুমজা ২০১২ গী লো অমগী মখাতা মপান্দগী ফন্দিং ফংলিবা গ্রুপশিংবু রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোরেন এজেন্টশিংনি হায়না মরাল শীবা ঙম্মী হায়রি।

## পাকিষ্টান চাওখৎহনবদা মতেং পাংলগনি

বৈজিং, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানবু থুনা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা চাইনানা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বৈজিংদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা উন্দুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে। দিয়াওয়ুতাই ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা উনখিবা অদুদা চাইনা অমসুং পাকিষ্টানকী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী ফজরবা চৎনবী অমা লৈ হায়না সীনা ফোঙদোকখি।

## অফঘানিষ্টানদা লৈবা দ্রগকী লেবশিংদা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবা লোগী মায়োক্তনি : য়ু এন রিপোর্ট



কাবুল, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
টালিবানকী দ্রগ শুংফমশিংনি হায়বা অফঘানিষ্টান্দা লৈবা লেবোরেটরিশিংদা হৌখিবা মেদা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবদা অঙাং ১৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ৩৯ শিখি নৎত্রগা অশোক-অপন নংখি হায়না য়ুমশকৈশা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভিক্তিমশিং অদু নন-কমবেটেন্টশিং ওইখিবনা য়ু এসকী থৌওং অদুনা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটেরিয়ন লো খোঙ্গাওনখি হায়খ্রে।

য়ু এস ফোর্সেস-অফঘানিষ্টান (য়ু এস এফ ও আর-এ)না থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা য়ু এন রিপোর্ট অদুবু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীশি-মীনা থোকখিদে হায়না ক্লেম তৌখ্রে। হৌখিবা মে ৫ দা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুনা ইরানগা লোন্না লৈরিবা নোংচুপ থংবা ফরা অমসুং নিমরোজ প্রোভিন্সশিংদা লৈবা মফম ৬০ হেনবদ অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি হায়বা য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফঘানিষ্টান (য়ুনামা) অমসুং য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী জোইন্ট রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মীওই ৩৯ মীশি মীনা নংলে হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা রিপোর্ট অদুনা হায়, য়ু এন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা অহেনবা মীশি মীনা নংখিবা সিভিলিয়ন ৩৭ কী মরমদা লাকখিবা থাজ নিংঙাই ওইবা রিপোর্টশিং ভেরিফাই তৌনবা হোৎনরি। দ্রগ শুংফম ফেসিলিটিশিং অদুগী মনুংদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অদু লানগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়বসি য়ুনামানা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

এটেক অদু চথুরমদাইদা অসিগুম্বা মীচমশিংগী মরমদা য়ু এস ফোর্সশিংনা ৱাখল তৌফম থোকই হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি। কুমজা ২০১৭ গী অথেংবা শরুক্তগী য়ু এস ফোর্সশিংনা টালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপকী ফন্দ লাকফমশিং লৈহন্দনবা হোৎনরদুনা দ্রগ শাফমশিংদা এটেক কয়া চথদুনা লাকখিবনি।

## লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি পুথোকখিবা সাইন্টিষ্ট অহুম্না কেমেস্ত্রিগী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রে







ষ্টোকহোম, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৯ গী কেমিস্ত্রিগী নোবেল প্রাইজ রোয়েল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা হৌজিক মোবাইল ফোনশিংদগীনা রিমোর্ট কন্ট্রোলশিং ফাওবদা লৈরিবা আইটেমশিং অমদি ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিং ফাওবদা নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিশিং পুথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা সাইন্টিষ্ট অহুম - জোন গুদইনফ, এম ষ্টেনলি ৱিতিংহাম অমসুং অকিরা য়োসিনোদা পীখ্রে।

ষ্টোকহোমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রোয়েল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা কুমসিগী কেমিস্ত্রিগী নোবেল প্রাইজ ফংলবা সাইন্টিষ্টশিং অদুগী মমিং লাউথোকপদা য়াওরিবা মশাগী চহী ৯৭ শুরবা অমেরিকান গুদইনফনা খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা নোবেল প্রাইজ ৱিনর ওইরি। এৱার্দ অসি বৃটেনগী ৱিতিংহাম অমসুং জপানগী য়োসিনোগা ফংমিন্নখিবনি।

রিচার্জ তৌবা য়াবা বেট্টরি অসিনা মোবাইল ফোনশিং অমসুং লেপটোপশিংগুম্বা ৱেয়রলেস ইলেক্ট্রোনিক্সকী য়ুম্ফম থোনখি হায়না পনবগা লোয়ননা মসিনা মালেম অসি ফোসিল ফ্যুলগী মপান তাংহল্লরোই হায়না স্বিদিস ক্রাউন মিলিয়ন ৯ (দোলর ৯০৬.০০০) গী প্রাইজ অসি লাউথোকপগী ষ্টেটমেন্ট অমদা রোয়েল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসনা ফোঙদোকখি।

## টর্কিস মিলিটরি, সিরিয়ন রেবেলশিং সিরিয়াদা থুনা চঙলগনি



অঙ্কারা, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
টর্কিস ফোর্সেস অমসুং মীচং সিরিয়ন রেবেলশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা সিরিয়াদা থোমজিল্লগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টর্কিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী পৱার কয়ানা টর্কিস ওপরেসন অসিনা চহী ৮ শুরল্লবা সিরিয়াগী লান্দা অনৌবা চেপ্টর অমা হাংলগনি হায়না কিন্নরিবনি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এসকী পোলিসিদা খঙহৌদনা অহোংবা অমা পুরক্তুনা অমেরিকান ট্রুপশিং সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদগী হন্দোকহনবা হৌখিবদগী টর্কিস ফোর্সশিংনা লমদম অদুদা চঙশিনবা হৌরকখিবনি।

রিপব্লিকান পার্টিগী সিনেটরশিং য়াওনা কোংগ্রেসকী মেম্বর কয়ানা ৱাশিংটনদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱারেপ অদুবু অমেরিকানা মতম শাংনা মীচং ওইদুনা লাক্লবা কর্দিস মিলিসাশিংবু বিট্রে তৌবগী থৌওংনি হায়না কন্না ক্রিটিসাইজ তৌরিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিস ওফিসলশিংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, কর্দিস ফোর্সশিংনা সিরিয়ন-ইরাকি বোর্দর শীজিন্নদুনা রিএনফোর্সমেন্টশিং পুশিনবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা টর্কিস মিলিটরিনা মফম অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক্লচিংবা চথদুনা এটেক তৌখ্রে।

ওপরেসন অদুগা মরী লৈনবা থবকশিং হৌজিক লেপ্তুনা চথুরি হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরনা ব্রোদকাষ্টর এন টি ভিদা হায়খি মদুদি, ফোর্স দিপ্লোই তৌবা অমদি অতৈ শেম শাবগী থবকশিং কন্না চথুরি।

অঙ্কারানা সিরিয়াগী লমগী শরুক্তা রেফ্যুজি মিলিয়ন কয়া হলহনবা য়ানবগীদমক্তা সেফ জোন অমা শেম্বা পাল্লবসু স্কিম অদুনা নোংচুপ্লোমগী মীচং লৈবাক অদুদা মীপাইবা পোকহনখি। টর্কিগী থৌরাং অসিনা মিলিটরি ওপরেসন অমা চথুরকপা মতমদা সিভিলিয়নশিংদা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিং অসিনা মীপাইনরিবনি। টর্কিগী ওইনদি লমদম অদুদা ওপরেট তৌরিবা কর্দিস ৱাই পি জি ফাইটরশিংবু লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংনি হায়রদুনা মফম অদুদা লান্দানবা হোৎনরকখিবনি।

## সিরিয়াদা মিলিটরিগী খোঙথাং লৌখত্তনবা রৌহানিনা টর্কিদা তকশিনখ্রে



দুবাই, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টর্কিদা পুক্নিং ফাথদুনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা মিলিটরিগী খোঙথাং অমত্তা লৌখত্তনবা আপিল তৌখ্রে।

য়ু এস মিলিটরি হন্দোকখিবদগী লমদম অদুদা অঙ্কারাগী ফোর্সশিং চঙশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা রৌহানিনা আপিল অসি তৌখিবনি। রৌহানিনা আপিল অসি তৌরদুনা ৱা ঙাঙলিঙৈদা ইরানিয়ন আর্মিগী গ্রাউন্দ ফোর্সশিংনা মাঙজৌননা লাউথোকপা তৌদনা লৈবাক অসিগী টর্কিগা লোন্নরিবা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা মিলিটরি দ্রিল পাঙথোকপা হৌখ্রে হায়না ইরানিয়ন ষ্টুদেন্টস ন্যুজ এজেন্সি (আই এস এন এ)গী রিপোর্টনা হায়রি।

মালেমগী পৱারশিংনা সিরিয়াগী অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রবা চহী ৮ শুরল্লবা লান অদুদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংবা য়াই হায়না কিনরিবা ওপরেসন অমদা টর্কিস ফোর্সশিং অমসুং মীচং ওইরিবা সিরিয়ন রেবেলশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা সিরিয়াদা থোমজিল্লগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টর্কিস ওফিসল অমনা লাউথোকখ্রবনি।

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী খ্বাইদগী নকশিন্নবা মীচং অমা ওইরিবা ইরান্না টর্কিদা সিরিয়াগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ইকাই খুম্নবা তত্তনা তকশিন্দুনা লাকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা ইলিগেল ওইবা মওংদা লৈশিল্লিবা মপানগী মিলিটরি ফোর্স খুদিংমক সিরিয়া থাদোক্কদবনি হায়রিবনি।

টর্কিগী খা থংবা লমদম অমসুং সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা সেফটি অমসুং সিক্যুরিটি শোয়হন্দনবগী অমত্তা ঙাইরবা সোল্যুসনদি সিরিয়ন আর্মিনা লমদম অদুদা লিংনা লৈবনা ওইগনি হায়বসি ঐখোয়না কয়ারক হন্না ফোংনা হায়খ্রবনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানগী প্রসিদেন্ট রৌহানিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা হায়খি। টর্কিগুম্না ইরানসু ইথনিক কর্দ মশিং য়াম্না লৈবা লৈবাক অমা ওইরিবনি।

## চাইনিজ এন্টিটিশিং ব্লেকলিষ্ট তৌবা বৈজিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



বৈজিং, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
চাইনাগী সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা উইঘুরশিং অমসুং অতৈ মুস্লিম মাইনোরিটিশিংবু ওৎপা-নৈবগী থবকশিংদা চেন্নবগী মরালদা চাইনিজ ওর্গনাইজেসন অমসুং কম্পনি ২৮ য়ু এসকী ব্লেকলিষ্টতা ইনৌ নৌনা হাপচিনখিবগী মতাংদা বৈজিংনা ৱাশিংটনবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং চাইনানা লল্লোন ইতিক্কী ৱারী শান্নগদবা নুমিৎ খরনিখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা বৈজিংনা ৱাশিংটনগী থৌওংদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা বৈজিংনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা চইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্সকী স্পোক্সপর্সন অমগী ৱারোল অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংকী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী য়ানদবা ৱাফম কয়া লৈখায় তানবগী পান্দমদা শগোলশেল নুমিত্তা মীফম অমা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা মতুংদা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী লৌখৎলকখিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা অমুক হেনগৎহনখিবনি।

য়ু এসনা চয়োল খরগী মনুংদা চাইনাগী পোৎ চৈশিংদা অনৌবা টারিফশিং চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি। তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিংগী মীওইশিংনা নুংশি-চান্নপা পুন্না লৈমিন্নরিবা, তং তাবা সোসাইটিগী মফম অমা ওইবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা টেররিষ্ট এটেক্কী থৌদোক্লচিংবা অমত্তা থোকখিদ্রবা চাইনাগী সীঞ্জিয়াং প্রোভিন্সকা মরী লৈননা মশা মশানা থৌদাং য়াজবা ঙল্লোইদবা ৱারোল কয়া ফোঙদোকপা লেপকদবনি হায়নসু চাইনাগী মিনিষ্ট্রি অসিনা ৱাশিংটনদা নাকোয়ননা হায়খি।

সিঞ্জিয়াংদা লৈবা উইঘুরশিংবু তাথি-তাওইনা তৌবদা চেন্নে হায়না মরাল শীরদুনা ৱাশিংটন্না চাইনিজ ওফিসল কয়াদা থমখিবা ভিজাগী অথিংবা কয়া থমখিবু ৱাশিংটনদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

## মিলিটেন্টশিংনা পৱার পাইলোন অমা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে



কাবুল, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা পর্ৱান প্রোভিন্সকী সলাং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পাৱার পাইলোন অমা মিলিটেন্টশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে অমসুং অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয় কাবুল থাদোকখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন মোহমদ সলিম নুরিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা কাবুলদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা সলাং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পাইলোন অমা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে অমসুং মখোয় অমম্বা মরক্তা কাবুল থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না নুরিনা সীনহুৱা ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

লোকেল মতমদা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ তাবা মতমদা সলাং দিষ্ট্রিক্টকী খা থাংবা শরুক্তা লৈবা কিলোৱাট ২২০গী ইলেক্ট্রিসিটি পাইলোন অমগী মখাদা মিলিটেন্টশিংনা বোম থমজিন্দুনা পোকখায়হনখিবদগী কাবুল অমসুং অতৈ প্রোভিন্স কয়াদা ইলেক্ট্রিক পাৱর সপ্লাইগী থবক লেপখ্রে হায়না অফঘানিষ্টান পাৱর কম্পনি - ব্রেসনা সির্কাটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক কম্পনি অসিনা অমাঙ অতা নংলবা পাইলোন অদু শেমজিন্দুনা কাবুল পৱার সপ্লাই মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহনবগী থবক হৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা অমা হেনবা মতমগী মনুংদা টালিবানবু পাৱর পাইলোন অমা বোম্না অমাঙ অতা থোকহন্দুনা কাবুল অমসুং অতৈ প্রোভিন্সশিংদা ইলেক্ট্রিসিটি পীবা লেপহনবগী মরাল শীবসি থৌদোক অসিনা অনীরকশুবনি। মমাংদা পৱার সপ্লাইদা চথখিবা এটেকশিংদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অৱাং থংবা বঘলান অমসুং কুন্দুজ প্রোভিন্সশিংদা লৈরিবা পৱার পাইলোন কয়া বোম পোকখায়হন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনবগা লোয়ননা কাবুল অমসুং অতৈ প্রোভিন্স ১১ দা চয়োল অমরোম চুপ্পা পৱার সপ্লাই লেপ্পা লৈখিবনি।

## আই এস ফাইটর ৯ লৌশিল্লগা ৱায়েল চথরগনি



সরায়েভো, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়কৈদা লেপ্তুনা লান শোক্লখিবশিংনি হায়বগী চিংনবা লৈবা বোস্নিয়া মচা ৯ লৈবাক অসিনা লৌশিন্দুনা ৱায়েল চথনবা শেম শারি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই চা কয়া য়ুরোপ থাদোক্তুনা চৎলগা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়কৈদা লেপ্তুনা লান শোক্লখি হায়না থাজনরিবনি। অসিগুম্বা ফোরেন ফাইটর কয়া দিটেন্সন কেম্পশিংদা থমদুনা মখোয় মখোয়গী হৌরকফম লৈবাকশিংদা শীন্নবগীদমক ঙাইনরিবনি। মীওই ৯ পুরক্লবা ঐখোয়না কন্না হোৎনরি। হীরম অসিগী মতাংদা বোস্নিয়া অমসুং হর্জিগোভিনা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইশ্যু তৌখ্রবনি হায়না মিনিষ্টর দ্রাগান মেক্টিক্না রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

মেক্টিক্না মীওইশিং অদু বোস্নিয়াদা করম্বা মতমদা হল্লক্কদগে হয়বগী মতাংদা হায়দোকউ য়াখিদ্রবসু মখোয় হেক হল্লকপগা খুদক্তা জুদিসরিদা শিন্নগনি হায়খি। সরায়েভোদা বেজ তৌবা ইনভেষ্টিগেটিভ পোর্টেল অমনা সিরিয়া অমসু ইরাককী দিটেন্সন কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই ৯ চয়োল অসিগী মনুংদা হল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

### পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা পাইলসনা নাবদগী খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, শৌজদা হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথীবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হীদাক চাজবদগী শুপ্নতগী নুমিৎ ১৮নিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা পূম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তানবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনীংই।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Kh. Samungou**
Fibou Makha Leikai
HL-P/4305/10

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**
**/NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 09th Oct. 2019

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Chirai Development Organisation" on 09-10-2019 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Chirai"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

***Sd/- P. Memi Devi***
Deputy Registrar of Societies, Imphal West
HL-P/4046/10

## ব্রেক্সিট দিল পুরকপা ৱানা থোক্কনি

দব্লিন, ওক্তোবর ০৯ (এজেন্সি) :
বৃটেনগী ফিরেপ্তা হৌজিকসু মখা তানা অচৌবা অহোবা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা বেক্সিটকী এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎবা হায়বসি অদুক্কী মতিক লুবা থবক ওইগনি হায়না আইরিস প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভারাদকারনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি মহাক্কী বৃটিশ লেংমান্নবা বোরিস জোন্সনগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। তশেংনমক ঐহাক্না অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা দিল অমা পুরক্লবা হোৎনগদবা লৈরবসু মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা এগ্রীমেন্ট অমা লাকহনবা হায়বসি ইশেং শেংনা অদুক্কী মতিক লুনা থোক্কনি হায়না ভারাদকারনা আইরিস নেসনল ব্রোদকাষ্টর আর টি ঈদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহী অনী হেন্না হোৎনদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মেগী গভর্নমেন্টগা চুংশিন্নদুনা ঐখোয়না ৱানা নিগোসিএট তৌখিবা দিল অদু য়ুনাইটেদ কিংদম্না চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা হৌজিক্তা অমুক শেমদোক শেমজিন খরা তৌরগা পুথোরক্লিবা অসিদা অচৌবা অহোবা অনী লৈরে হায়বসি পুম্নমক্তা খঙনরবা ৱাফম ওইরে। প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না মতম পুম্বদা য়ুনাইটেদ কিংদম্না দিল অমা য়াওরবসু নৎত্রগা য়াওদ্রবসু ওক্তোবর ৩১ দা ঈ য়ু শোয়দনা থাদোক্কনি হায়দুনা লাকখিবনি।

### / খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, খুবীমুক চাউবা অমা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুগী মতোন্দা য়াম্না চিকপা নাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, খুবীমুক চাউবা অমা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুগী মতোন্দা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হামগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা অমদি অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা হেনবা, অমাংথোঙ মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা অমাংবদু পিক্না মরী-মরী থোক্লকপা, অমাংবদু মনুংদা পল্লগা লৈহৌবা, পল্লগা লৈবা অদু খোঙ হাম্বা লোইরকপগা চাম্বা মতমদা শেংনা লৌথোকহৌদ্রবদি অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/4332/10
*থাগৎচরিবা :* **W. Suresh,** Ningthoukhong

**TODAY** **TODAY**
**BUMPER HOUSIE DRAW**
**Ticket Rate Rs.750/-**
RAY HOPE FOUNDATION
4997/SR/1983(M)
HOUSEFULL: ₹2.5 Lacs
2 TICKET Q-10: ₹ 20,000/-
ALL LINES : Rs.3000/-
1st MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 100/-
PRIZES : Rs. 20,000/-
2nd MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
HOUSEFUL: 1st 2nd 3rd
**DATE: 10th OCTOBER 2019**
**VENUE : SHANKER TALKIES, LAMPHEL**
HL-P/4048/10